# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-05-2025)**

**অসামঃ** অসামগী করবি অংলোং অমসুং কছার জিলাদা অসাম পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী য়াল্লবা মোরফিন অমসুং হেরোইন ফাগৎপা ঙমলে, চেন্নবা মীওই মরিসু ফারে।

অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা হায়-করবি অংলোং পুলিসনা খটখতি চেক পোষ্ট তমা লাকপা গাড়ি অমা চেক তৌবদা লুপা কোতি ৫ রোমগী ওইগদবা মোরফিন কিলোগ্রাম ৫ রোম ফাগৎপা ঙমখি। অদুগা কছার পুলিস অমসুং রাজ্যগী স্পিসিএল টাক্স ফোর্সনা কছার জিলাগী সোনাবারি ঘাটতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা লুপা কোতি ৬ মখায়রোমগী ওইগদবা হেরোইন কিলোগ্রাম অমা হেন্না ফারে।

**পুলিস(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থিবা হুন্বা থবক লেপ্তুনা চথরি অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই কয়াসু ফাগৎলি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ককচিং জিলাগী তেজপুর লমখাইদগী পি.এল.এগী এক্তিব কাদর অনি ফারে। ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা শওম্বুং থোংদগী কে.সি.পি (অপুনবা) গী এক্তিব মেম্বর অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা রাজ্য অসিদা শেংদবা সনাগী পোৎলমশিং নারোলদা পুশিনদুনা মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা করবার তৌরম্বা নোংচুপ বঙ্গলাদগী মীওই অহুম মনিপুর পুলিসনা ফারে। মখোয়দগী করবার অসিদা শিজিন্নবা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎপা ঙমলে।

মনিপুর পুলিসকী অখন্নবা দ্রাইবতা হুরানখিবা গাড়ি অমসু ফংবা ঙমখ্রে।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২২ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোলগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্য খুদিংমক্তা মালেম থাক্কী ওইবা খুদোংচাবা অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈবা য়ামদ্রবদা লম কোইফম অমমমদি শেমগৎনবা হায়খ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং নিতি আয়োগকী গভনিং কাউন্সিলগী ১০ শুবা মীফমদা সভাপতি ওইখিবা শ্রী মোদিনা রাজ্য অমা, মালেমগী লম কোইফম অমা হায়বা ৱাখল্লোন ফোংদোকখি। মহাকা হায়-মসিনা টুরিজমবু চাউখৎহনবতা নত্তনা থংনরিবা সহরশিংবুসু লম কোইবশিংগী লাকফম অমা ওইনা শেমগৎপা ঙমগনি। থবক শুফমশিংদা নুপীশিং নীংথিনা য়াওহন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা মখা তাখি। মহাকা হায়-নুপীশিংবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা থবক শুফমশিংদা য়াওহনবা ঙমবগীদমক আইন অমসুং থৌশিল থৌরাং কয়া শেমগদবনি।

নিতি আয়োগকী সি.ই.ও.-বি.ভি.আর. শুব্রমনিয়মনা তুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়-ঙরাংগী মীফম অসিদা নিতি আয়োগকী গভরনিং কাউন্সিলদা য়াওরিবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩৬ কী মনুংদা ৩১ না শরুক য়াখি। মসিনা নিতি আয়োগ লিংখৎখিবদগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি খ্বাইদগী মশিং য়ামা শরুক য়াবা ওইখি।

**মীফমঃ** নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন.দি.এ) না সরকার পায়বা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমসুং উপ মুখ্যশিংগী মীফম অমা ঙসি দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। মীফম অদুদা অফবা লৈঙাক সাসনগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দা, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ্ অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহসু শরুক য়াগনি।

এন.দি.এনা সরকার পায়বা রাজ্য ২০ গী মুখ্য মন্ত্রি ২০ অমসুং উপ মুখ্য মন্ত্রি ১৮ মীফম অসিদা য়াওগনি। বি.জে.পিগী গুদ গভরনেন্স দিপার্টমেন্টনা মীফম অদুদা ৱারেপ অনি লৌগনি। অহানবা ৱারেপতা ভারত লান্মীবু থাগৎপা ফোংদোকপা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ওপরেসন সিন্ধুর মায় পাকপগী অদুগা অনিশুবা ৱারেপতা জাৎ-কাংলুপ হায়না মীকোক থিনবা কেন্দ্র সরকারনা ৱারেপ লৌখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকপনা ওইগনি।

**শিবরাঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ্ চৌহাননা হায়রি-লৈবাক শিনবা থুংনা চথুগদবা ভিক্সিত ক্রিসি সংকপ অভিয়ান, উরিষ্যাগী পুরিদা থা অসিগী ২৯ দা হৌদোক্লগনি। খোঙজং অসি লৈবাক অসিগী জিলা ৭০০ তা চথুগনি অমসুং বৈগ্যানিক কাংবু অমনা খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা লৌমীশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং লৈবাক শিনবা থুংবদগী লাকপা লৌউ শিংউগী বৈগ্যানিকশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-কেম্পেইন অসিদা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র ৭৩১, আই.সি.এ.আর. ইন্সটিট্যুট ১১৩, রাজ্য থাক্কী বিভাগশিং অমসুং লৌউ শিংউ, হোর্টিকলচর, এনিমেল হসবেন্দরি, ফিসরিজনচিংবগী ওফিসিএলশিং অমদি লৌমী কয়া শরুক য়াগনি।

মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা ইহান হানবা ওইনা

সরকারনা লৌমীশিংগা হকথেংননা উন্নবগী থবক পায়খৎলি। মহাকা হায়-লৈবাক শিনবা থুংবদা চথুগদবা কেম্পেইন অসিদা চাউরাকা লৌমী কোতি অমা মখায়রোম শরুক য়ারবা য়াই।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

গভনর বোইকোট তৌখ্রে, রাজ ভবনদা থোমজিনবা য়াওনা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ অমসুং রাইজিং নোর্থ ইষ্ট ইনভেষ্টর সমিট ২০২৫ দা লুপা কোতি লাখ মরিরোমগী শেন্থুং থাদনবা লেপখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

খ্বালতাবী থৌদোক্কী মতাংদা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা গভনর-অজয় কুমার ভাল্লাদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে অমসুং ইং ২০২৭ তা ইম্ফাল-জিরিবাম রেলৱে তনেল হুৎপগী থবক মপুং ফানা লোয়বা ঙম্লগনি হায়বা থিঙুজম দোলেন্দ্রাগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রাজ ভবনদা ঙসি মীয়ামনা থোমজিনদুনা গভনরনা লাল্লে হায়জো হায়না খোঙজং চংশিনমীন্নসি অমসুং অমুকোগা চৎমীন্নরিবা লুপ মঙানা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ন্যু দিল্লি অমসুং মুম্বাইদা কোবিদ নাইন্তিনগী কেস হেনগৎলে। অনৌবা মখলগী ভেরিয়েন্ট থেংনরে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বি.জে.পিনা লৈঙাক পায়রকপদগী লৌমীশিং সুইসাইট তৌদুনা শিজবা লেপত্রি হায়বা কিষান কংগ্রেসকী ৱাফম অমসুং খাঙবোকতা চহি তরাগী মতুংদা লম্বী অমা কোইলাস থারকপদা খম থেংনা হরাউনরে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নাৎকী ওইবা ঈশৈ জগোইগা লোয়ননা চহি অসিগী শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল লোয়শিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা দা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এস্মে এস.এসনা মিস শিরুই লিলি তাখ্রে অমসুং সেনাপতি জিলাগী ফুবা খুমনদা মৈ ঈশিংদি শাফরে, লন্থী ফৎত্রি অনা লায়েংশঙ লৈত্রি হায়বা পাউ অসিন সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কেন্দ সরকারনা অৰাং নোংপোক লমদমদা খেল্লো ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট গেমস পাঙথোকবা থৌরাং তৌরে হায়বা পাউ অসিনা মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।